## ৱাহৌদোক

ঐখোয়গী অপুনবা হকথেংনরকপশিংদা যুম্ফম ওইবা লাইরিক মচা অসিনা, স্পোনসরসিপকা মরি লৈননা য়াম্না তোয়না হংবা ৱাহং খরগী পাউখুম পীরি। লাইরিক মচা অসিনা স্পোনসরসিপকা মরি লৈনবা চংদ্রবা য়াদ্রবা ঈ-পাও অয়াম্বা পীরবসু, মসিমক্না মপুঙ ফারবা অমনি হায়নদি লৌদে৷ অহৌইনদুম, মসিনা অচম্বা মওংদা ঐখোয়গী ফগৎলকপগী প্রোগ্রামদা য়াওরিবা য়াম্না মরু ওইবা পাম্বৈ অদুবু খঙহল্লি৷

স্পোনসরসিপ হায়বসি এন:এ: গী লম্বৈলদা এসিকশন্দগী ফগৎলকপগী থৱাইনি-এদিক অমনা অতোপ্পা এদিক অমবু মতেং পাংবিবা। স্পোনসরসিপ অসি মায়কৈ অনিগী লম্বিনি, নৌনালাকপা অমসুং অরিবা মীওই অনিমকপু মান্ননা মতেং পাংঙি৷

**এন:এ:গী লম্বৈলদা অতোপ্পশিংগা লোয়নদুনা**
**ঐনা চেকশিন্বিবা মতমদা অমসুং**
**ঐনা য়েন্নরবা মতমদা**
**ঐহাক্কি তৌবিমলদু উৎলকই**

### স্পোনসরসিপ

### স্পোনসর অমা হায়রিবসি করিবুনো ?

স্পোনসর অমা হায়বসি নার্কোতিক্স এনোনিমশকি প্রোগ্রামদা ফগৎলক্লিবা এদিক অমনি ; ঐখোয়গী পুন্সিগী হকথেংনরকপশিং য়েন্নথোকপদা থাজবা য়াবা কন্নাগুম্বা অমা (অফবা অমসুং ফত্তবা অনিমক) ; কাংলুপকা য়েন্নথোকপদা য়াম্না লন্নাই ওইমনবা ঐখোয়গী শমস্যা অদু শরুক য়ামিন্নবা য়াবা মীশক অমা। মতাংসিদা মত পীরি মদুদি স্পোনসর অমা হায়বসি খোংথাং ১২ তুংইন্দুনা হোৎনরিবা অমসুং পোগ্রামদা শরুক য়ারিবা মীশক ওইগদবনি। মরু ওইনা, স্পোনসর অমা হায়বসি ফগৎলকপগী খোংথাং ১২ বু খংহনবদা লমজিংবিবা মীশক অমনি।

### কনানা স্পোনসর দরকার ওইবগে ?

এদিক অয়াম্বনা স্পোনসর অমা দরকার ওই হায়বসি ঐখোয়গী হকথেংনরকপনি। করিগুম্বা মতমদা, ঐখোয় পুম্নমক্না খোংফম চাদবা, চমম্নবা, পুক্নিংগী অৱাবা থেংনৈ, অমসুং মতেং পাংবিনবা অমা দরকার ওইরকই৷ ঐখোয়না অতোপ্পবু কয়া থাজগন্দবদগী, ঐখোয়না পুন্সিদা নাইতোম চৎননবা হোৎনখি৷ মসিনা ঐখোয়গী শমস্যাশিংগী মনুংদা অমা ওইরকই। ঐখোয় করম্না হিংগদগে হায়বসি কৈদৌঙৈদসু খংলকত্রবা মীওইনি। মতাংসিদনি ঐখোয়গী স্পোনসরগী মথৌ তারক্লিবা। ঐখোয়গী স্পোনসরনা হকথেংনরকপা, পাঙ্গল অমসুং আশা য়েন্নমিন্নদুনা মতেং পী। শম্না হায়রবদা, কনাগুম্বা শেংনা লৈবা পাম্নবা অমসুং ফগৎলকপদা ঙায়রিবা অমনা স্পোনসর থমগদৌবনি।

### নহাক স্পোনসর করম্না ফংগদগে ?

পুক্নিং চংনা তাবা হায়বসিনা স্পোনসর অমা ফংননবগী পাম্বৈনি। স্পোনসর থিবগী খ্বাইদগী শোয়দ্রবা মফমদি এন:এ:গী মীতিংশিংদনি। ঙাংঙু, য়েন্নৌ অমসুং প্রোগ্রামসিগী মেম্বরশিংনা হায়বা তাও; ফোন নম্বর কয়ামরুম লৌশিল্লু অমসুং মখোয়বু শিজিন্নৌ। নহাক্না কোয়দনা ৱারি শান্নবা ঙম্বা অমসুং লিথোকপা ঙম্বা কনাগুম্বা অমা থেংনবা মতমদা, মীশকতুবু নহাক্কি স্পোনসর ওইবিয়ু হায়না ঈচম চম্না হায়য়ু। " হোয় " হায়বা পাউখুম অসিনা অয়াম্বা ওইবা য়াই। করিগুম্বা মতমদা মীওই অদুনা নহাক্কি স্পোনসর ওইবিবা ঙমদবা য়াই। লেপ্পুনা হোৎনৌ ! নিংশিংঙু মদুদি থোঙ অমা থিংলবদি, অতোপ্পা থোঙ অমা হাংলক্কনি। মীতিংশিং লেপ্পুনা য়াও, তাও, অদুগা নহাক স্পোনসর অমা য়াম্না থুনা ফংলগনি৷

### স্পোনসর অমগী শেংনা লৈবগী মতম কয়াম শাংনা ওইগদগে ?

ৱাহং অসিগী পাউখুম মী-মীগী মতুং ইন্না খেন্নৈ। স্পোনসর অদু চহি কয়া শেংনা লৈরক্লবা মেম্বর অমা ওইরম্বা য়াই, নৎত্রগা প্রোগ্রামসিদা থা খরদমক ঙায়রিবা ওইবা য়াই৷ স্পোনসরগী শেংনা লৈবগী মতম অমসুং হকথেংনরকপা অদু নহাক্কি লমদুদা স্পোনসরশিং লৈবগী চাংদা মখা পোনবা য়াই৷ মতমগী অশেংবা মগুন্না শেংনা লৈরকপা মতমগী মশিংদগী হেন্না মরুওই। এন:এ:গী ফগৎলক্লবগী থল্লন্নবিবা খোংথাং তরানিথোইবু মমুৎ তানা লৌশিনবা, চুন্না নুংঙাইনা উবা, অমসুং অতোপ্পা ফগৎলক্লিবা এদিকশিংবু মতেং পাংনিংবা মীশক অমবু খল্লু। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিবু ঐখোয়না "মায়পাক্লবা" কৌই অদুগা ফগৎলক্লিবা এদিকশিংদগী নহাক্কি স্পোনসর ফংবা হায়বসি অফবা ৱাখলনি।

### স্পোনসর অমা হায়বসি মরুপ অমা ওইগদ্রা ?

ঐখোয়গী হকথেংনরকপশিংনা উৎলে মদুদি স্পোনসর অমগা লৈনবা অফবা মরিসি মরুপ-মপাং ওইবদা যুম্ফম ওইবগী মথৌ তাদে, তৌইগুম্বসুং থাজবা হায়বসিদি য়াম্না মরুওই। স্পোনসর থিবা মতমদা, ঐখোয়না মখোয়গী পুন্সিগী হকথেংনরকপশিং, মখোয়গী শেংনা লৈরকপা মতমগী মগুন, মখোয়গা ঐখোয়গা উন্নবা ফংবগী চাং, অমসুং মখোয়গী মতেং পাংনিংবগী অনিংবা খুদিংমক অদু ঐখোয়না য়েংঙি। থাজবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা, অমনা অমবু ইকাইখম্নবদা যুম্ফম ওইবা মরুপ-মপাংগী মরিসু তৎতনা তুংইনলকই।

### ঐগী স্পোনসর নুপানা নৎত্রগা নুপীনা ওইগদ্রা ?

ঐখোয়না নুপীনা নুপীগী অমসুং নুপানা নুপাগী স্পোনসর অমা ওইয়ু হায়না অকনবা মত পীরি। হকথেংনরকপশিংনা ঐখোয়দা উৎখ্রে মদুদি নুপা মেম্বরনা নুপাগী নুপী মেম্বরনা নুপীগী করিগুম্বা ৱাফম খরদা, খুদম ওইনা হকতিন্নরকপগী, ইমুং-মনুংগী, নৎত্রগা শক তাকপগী শমস্যা, মরি শেমগৎপগী শমস্যানচিংববু হেন্না ভাব তাবা ঙম্মি। ঐখোয়গী পুক্নিংসি মথুম-মরাং হৌগল্লি অমসুং নুপানা নুপীদা নৎত্রগা নুপীনা নুপাদা থম্মোয়গী মরি শেমগৎপদা লায়না থোকই। মসিনা ঐখোয়গী প্রোগ্রামদগী নাথৈহল্লি অমসুং অকায়বা থোকহনবা য়াই, মরুওইনা মসিনা নৌনালাকপশিংদা৷

### ঐখোয় স্পোনসর অমদগী হেন্না থমগদ্রা ?

ঐখোয়না মথৌ তাদে খল্লি ! ঐখোয়গী হকথেংনরকপশিংনা উৎখ্রে মদুদি মীওই অমত্তদগী লমজিং লৌবনা হেন্না লায়। ঐখোয়না ময়ামগী মহুৎতা, মীশক অমত্তদা থাজবনা হেন্না লায়।

স্পোনসর অমখত্তগা ঐখোয় থাজবা অমসুং পুকচেলশেংবদা যুম্ফম ওইবা মরি শেমগৎলকপা ঙমগনি। হকথেংনরকপশিং য়েন্নথোকমিন্নবনা স্পোনসর অমনা লন্নাইগী চাওখৎলকপদা মমি তাহনবা ঙম্মি৷

ঐখোয়না প্রোগ্রামসিদা চাওখৎলকপগা লোয়ননা ঐখোয়না অতোপ্পগা হেন্না পুক্নিং মকাফোংবা অমসুং পুকচেলশেংবা তমলকই।

নিংশিংঙু : "ঙসিনোংমখক্কিদমক্তা, ঐবু থাজবা অমসুং ঐবু ফগৎলকপদা মতেং পাংবিনিংবা এন:এ: গী কনাগুম্বা অমদা ঐগী থাজবা থমগনি"।

### ঐখোয়না স্পোনসর অমা করম্না লোয়নগনি ?

ঈ-পাও ফাওদোক্লবনা মসিগী মরি অসিগী মরুনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী প্রোগ্রামগা মরি লৈনবা ৱাহংশিংগী মতাংদা, ঐখোয়না খংঙি ঐখোয়গী স্পোনসরদা মায় ওনশিনবা তাই, তৌইগুম্বসুং মসিগুম্বা মতমশিং অসিদা মখোয়গা উন্ননবা হোৎনবদি ঐখোয়গী দায়িত্বনি। তেলিফোনগী খুৎথাংদা নৎত্রগা হকথেংননা ঐখোয়না ঐখোয়গী শমস্যাশিং অদু অফবা নৎত্রগা ফৎতবা ওইরবসু নুংতিগী চাংদা য়েন্নমিন্ননবা হোৎনৈ। অয়ুক-নুংথিল নৎত্রগা অহিং ওইরবসু, ঐখোয়না দরকার লৈ খনবা মতমদা, ঐখোয়না ঐখোয়গী স্পোনসরগা পাও ফাওনৈ। ঐখোয়না ঐখোয়গী স্পোনসরদা পুকচেল শেংবা, মত পীরকপদা পুক্নিং-মকাফোংনা তাবা, অমসুং

ঐখোয় ইশাগী নত্তবা অনৌবা লম্বি অমদা তৌরগে লেপ্পা হায়রিবশিং অসি মরুওই।

নিংশিংঙু, ঐখোয় কৈদৌঙৈদসু নাইতোম তাবগী মথৌ তাদে।

## স্পোনসর অমা করম্না ওইগনি ?

ঐখোয়গী হকথেংনরকপদি স্পোনসর অমা ওইবগী ৱারেপ অসি ঐখোয়গী ফগৎলকপদা মরু ওইবা খোংথাং অমনি অমসুং মসিবু তরাইনা লৌরোইদবনি হায়বসিনি। ঐখোয়না থাজে মদুদি, হেক য়ারিবমখৈ, অতোপ্পা কনাগুম্বা অমগী স্পোনসর ওইবগী অয়াবা পিদ্রিঙৈদো ঐখোয়না ঐখোয়গী স্পোনসর তন্নগনি। ৱারেপ অসি লৌননবা হোৎনবদা, ঐখোয়না ইশাগী ঈহুল অদু থিজিন্নবা হোৎনগনি। ফেল্লোসিপকি মরক্তা ফনা উহন্নবগীদমক্তা স্পোনসরসিপকি খল্লিব্রা, নৎত্রগা হৌজিক - হৌজিক ৱাদুনা লৈরিবা এদিকশিংবু মতেং পাংনব্রা ?

নিংশিংঙু মদুদি ঐখোয়না থমজহৌবদি ঐখোয়দা লৈজবা খরসি পীথোকখিবা অসিতনা ঙম্মি। মরম অদুনা, মখাগী ৱাহংশিং অসি খন্থনিংবা য়াই : ঐহাক স্পোনসর অমা ওইননবা শেম শারব্রা? ঐহাক্না ঐগী হকথেংনরকপাশিং, পাঙ্গল, অমসুং আশা য়েন্ননিংবগী অনিংবা লৈরব্রা ? ঐহাক্না তৌরগে হায়বগী অনিংবা অদু লৈরব্রা?

স্পোনসর অমা ওইরগে হায়বগী ৱারেপ লৌরবা মতুংদা, মসিদগী ঐখোয় কদোমদনো ? ঐখোয় ইশাগী ফগৎলকপনা মাংজিল থাই হায়না খঙজরকপসি মরু ওই হায়না ফাওই। ঐখোয়না থাজে মদুদি স্পোনসরসিপকি মরুওইবা পান্দমদি এদিক অমদা ফগৎলকপগী খোংথাং তরানিথোইগী খুৎথাংদা মতেং পাংবনি। মসিনা ঐখোয়দা হেন্না ময়েক শেংহল্লে মদুদি খুদম্না উৎপনা খ্বাইদগী ফবা অমসুং শোইদ্রবা লম্বিনি। স্পোনসরসিপ অসি ঐখোয় ইশাগী লন্নাইগী ফগৎলকপগী প্রোগ্রাম অদুগী শরুক অমনি। স্পোনসরসিপকি খ্বাইদগী লুবা ৱাফমদি চেকশিনবিবা অমদি ঙমহনবা অনিগী খায়দোক্লবা অদুনি। মখোয়গী প্রোগ্রামদু ঐখোয়না হোৎনবিবা হায়বসিনা ঐখোয়না মখোয় থবক পাঙলে হায়না লৌই। স্পোনসরনা হেন্না ঙাকপি-শেনবিবনা এদিকশিংদা মতেং ওইদে৷ করিগুম্বা মতমদা, ইচং থৌনা নুংশিবা হায়বসি এদিক অমগী চাওখৎলকপদা চংদবা য়ারক্তে। ঐখোয়না মত পীরি মদুদি পাওজেল পুবা হায়বসিনা ঐখোয়গী দয়িত্বনি হায়বসি নহাক্কি ৱাখলদা লৈগদবনি, এদিকতুবু নৎতে। ঐখোয়, চুমথোক - শেমদোকপশিং, ঈশ্বরগী পাওতাক পুবশিং, ময়ামগী চাওখৎনবা হোৎনবশিং, মতম খরগী খুন্নাইগী কৎথোকপা, য়ুম-কৈ পান্ননবগী পাওতাক পীবা, পৈশা শান্দোকপা, থবক ফংহন্নবগী পাওতাক পীবা, নৎত্রগা আইনগী ফম্নাইবনচিংবা অমত্তা নত্তে। ঐখোয়সু এদিকশন্না নারিবা এদিকশিংনি নিংশিংজবা মরু ওই।

নহাক্না স্পোনসর তৌরিবা মীওই অদুদা চান্নবা ৱারি লিবা ঙমদবা মতাং য়াওরকপা য়াই। মতাং অসিদা নহাক্না মখোয়বু মতেং পাংবিবা ঙমগদবা কনাগুম্বা অমদা থাবিবা য়াই৷ ঐখোয়না স্পোনসর তৌবা কনাগুম্বা অমা হনজিনখিবা মতমদা ঐখোয় লাল্লে হায়না খনফম থোক্তে। ঐখোয় ইশাগী ফগৎলকপা হায়বসি ঐখোয়গী দায়িত্বনি। ঐখোয় পাওখুম পীবা ঙমদবা মতমসু লৈগনি৷ ঐখোয়না স্পোনসর তৌরিবা মী অদুগা লোয়ননা পাওখুমশিং অদু ফংননবা থিবা হায়বসি ঐখোয়গী দায়িত্বনি । ঐখোয় ঈশ্বর নত্তে !

Copyright © 1998 by
Narcotics Anonymous World Services, Inc.
হক খুদিংমক অফোঙবগীনি।

World Service Office
PO Box 9999
Van Nuys, CA 91409 USA
Tel. (818) 773-9999
Fax (818) 700-0700

World Service Office–EUROPE
48 Rue de l'Eté
B-1050 Brussels, Belgium
Tel. +32/2/646-6012
Fax +32/2/649-9239

World Service Office–CANADA
150 Britannia Rd. E. Unit 21
Mississauga, Ontario, L4Z 2A4, Canada
Tel. (905) 507-0100
Fax (905) 507-0101

মশি এন:এ: ফেলোশিপনা অয়াবা পীরবা সাহিত্যাদগী হনদোকচবনি।

Narcotics Anonymous, Ⓝ, ◇, the NA Way
রেজিস্টার তৌরবা খুদমশিংনি
Narcotics Anonymous World Services, Incorporated

ISBN 1-55776-389-5 Manipuri 10/98

WSO Catalog Item No. MP-3111

Narcotics Anonymous®
নার্কোতিক্স এনোনিমশ

IP No. 11-MP

# স্পোনসরসিপ